# লান্মে চাকখ্রবা মতুং জে এফ এম সি উয়ালগী মেম্বরশিংনা হাকথেংননা য়েংশিনখ্রে



থৌবাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা খঙহৌদনা ৱারোক রিজার্ভ ফোরেষ্টকী উয়াল মমাঙ চীংদা লান্মে চাকখ্রবা মতুংদা ঙসি জে এফ এম সি উয়ালগী মেম্বরশিংনা মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

পাউ অসিনা হায়, লান্মে চাকখিবা অদু জে এফ এম সি উয়ালগী মেম্বরশিং অমদি থৌবাল ফোরেষ্ট রেঞ্জগী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা কনবা ঙমখিবনি। লাইবক থিবা থৌদোক অদু জে এফ এম সি কাইরেনবিখোক্লা কনখিবনি হায়না ফোঙদোকখিবা অদুদি অঙকপা পোকই।

চীং লৈবাক কোৎলম্বা মফমশিং য়াওনা ঙসি য়েংশিনখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা জে এফ এম সি উয়ালগী মেম্বর ৱাইরোকপম রোমিওনা ফোঙদোকখিবদি থা অসিগী ২৭ হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা খঙহৌদনা লান্মে চাক্লকখিবা অদু উরকপদগী খুদক্তা মফম অদুদা কাখৎতুনা মৈ কন্নবা হোৎনখি অমদি রেঞ্জ ফোরেষ্ট থৌবালগী ওফিস্তসু পাউ পীবদগী ষ্টাফশিং মতম চানা লাক্তুনা হেন্না অমাঙ অতা থোক্লমগদবদগী কনবা ঙমখিবনি। কনবা লোইশিল্লকপা মতমদা কাইরেনবিখোকলোমদগী মীওই ৪–৫ লাক্তুনা শরুক য়ারমখিবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা লাইবক থিবদি জে এফ এম সি কাইরেনবিখোক্লা কনখ্রে হায়না মেদিয়াদা ফোঙদোরকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি।

জে এফ এম সি কাইরেনবিখোক্লা খুদোংচাবা খরা লৌনবা হোৎনরকপা অসিসু য়াম্না লাইবক থিবনি হায়রদুনা নুমিৎ অদুদা জে এফ এম সি উয়ালনা লৌখিবা থৌদাং অমদি চীং অসিবু কন্নবা মতম কয়াগী মমাঙদগী লৌরকখিবা থৌদাং পূম্নমক থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন অমদি রেঞ্জগী ষ্টাফশিংনা খঙলিবা ঙাক্তনি হায়রি। ইনভাইরোনমেন্ট কনবদা করিগুম্বা খরা খুদোংচাবা লৌহৌনবা হোৎনবগী মহুত্তা তাথোক তাশিন তৌরম্লবদি হেন্না নুংঙাইরমগনি। মরম অদুনা মতুংদা অসিগুম্বা মওং মরিল তাদবা থৌওং চত্থবিগনু। থম্মোয় শেংনা ইনভাইরোনমেন্ট কন্নবা থবক তৌমিন্নসি হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না হায়, এরিয়া অসিদা লোগী ৱাংমদা লোন্না চীং লৈবাক কোৎলিবশিংসু খুদক্তগী লেপ্লিয়ু, করিগুম্বা থেংনরবদি লোগী ওইবা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকনি।

ঙসি য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা জে এফ এম সি উয়ালগী প্রসিদেন্ট এন দয়ানন্দ, মেম্বর সলাম সুশিল অমদি ইনভাইরোনমেন্টবু কনবা পাম্বা মীওই কয়া শরুক য়াখি হায়রি।

# মতেং পাংবা নত্তে, চাকখাওদা পোলিটিক্স তৌবনি ঃ লূপ

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিবা অসিগী মনুং চন্না মীয়ামগী মতেং ওইনবা গভর্ণমেন্টনা চেঙ লেম্না য়েম্ঘোক্লিবা অসি মীয়ামগী অৱাবদা মতেং পাংবা নত্তে মীয়ামগী চাকখাওদা পোলিটিক্স তৌবনি হায়না কংলৈ সলাই অপূনবা লূপ (কসল)না ফোঙদোরক্লি।

কসলগী সেক্রেটরী এম সেলুংবা লুৱাংনা মেদিয়াদা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, ভোট থাদবগী হক ফংলবা মীওই খক্তদা চেঙ পীরিবা অসিনদি ভোট থাদবা য়াদ্রিবশিংগী হক কনাদগী তানগনি। মমা মপানা নোংমগী অফংবা থবক শুরগা চাগনি হায়না ঙাইনরম্বা অদুসু লোকদাউন্না মরম ওইরগা মপান থোকপা য়াদ্রবনিনা থবকসু শুদ্রে। অমরোমদা ভোটর লিষ্টতা য়াওবা খক্তমক চেঙ পীরবনিনা চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা ভোটর লিষ্টর চন্দ্রিবা অঙাংশিংগী হক কনানা কনবিগনি।

মীয়ামদা মরু ওইনা ভোটর লিষ্টতা চল্লবশিংদা লেম্না ফংহল্লিবা চেঙ অসি নফসাগী কার্দ পায়বা মীওইশিংগীদমক গভর্ণমেন্টনা পীবা চাকথুং অদুরা নৎত্রগা মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোরোনাভাইরস থেংনবদা অৱাবা নংলবশিংগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা তোঙান্না পীরকপা চেঙলা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনবিয়ু। ভোটর লিষ্টতা য়াওবা মীওই খক্তমক চেঙ ফংগদবনি হায়বা অসিসু ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনবিয়ু নৎত্রবদি চহী নৌরিবা অঙাংশিংগী হিংবগী হক মৎপিরে হায়না মরী লেনবা ওথোরিটিদা ৱাকৎলগনি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা, লাইরবশিংগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা থবকশিংগী ফংফম থোকপশিং অদুদি লাইরবশিংনা ফংদ্রে। খুবাক ময়াইদা লুট তৌরিবশিংগী ওইরে হায়রদুনা ভোটর লিষ্টতা চন্দ্রিবা চহী নৌরিবা অঙাংশিংদি শিখ্রবসু য়ারে হায়না লৌবা চুম্লব্রা হায়বদু ময়ামদা খঙহনবিয়ু হায়নসু মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# লায়েংলিবশিংগী অৱাবদা মতেং পাংবিয়ু




সিলচর, মার্চ ২৯ (জে এন এন)ঃ
কোরোনাভাইরসতগী ঙাকথোক্নবা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না টুটেল লোকদাউন অমসুং কার্ফিউ লাউথোকখিবদগী মণিপুরদগী মীওই ৫০ রোম কছারগী ধোলু হায়না খঙনবা শরু শম্নবা ক্লিনিক্তা লায়েংদুনা লৈরিবশিং অৱাবা মায়োক্লরে। মরম অদুনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা পাংবা য়াবা মতেং পাংবিয়ু হায়রি।

থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংচনবা খাঙবোক্তগী এস শ্যাম কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী থা ২ রোমগী মমাঙদা কছার দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ধোলু হায়বা খোঙ–খুৎ তেকপা শম্ফম অসিদা অনাবা অমদি মখোয়গী মতেং পাংবা য়াওনা মীওই ৪৮ রোম হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ইম্ফালদা থোরক্নবা থৌরাং তৌদুনা টিকেৎনচিংবা লৌখি। অদুবু টুটেল লোকদাউন্না মরম ওইরগা চৎপা য়াদনা ঙসি ফাওবা ধোলুদা লৈরি। কুইনা লৈশিল্লকপা অমদি শেল থুম চান–থক্নবা কয়াদা খুদোংচারক্তবনা মরম ওইরগা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা পাংবা য়াবা মতেং পাংদুনা য়ুম য়ুমদা হল্লক্নবা শীনবিয়ু।

# হিদাক কাপথোকখ্রে

য়াইরিপোক, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
কেক্রু য়াইরি ক্লব য়াইরিপোক্না ক্লব অসিনা কোনবা লৈরক খুল্লক্কী লম্বী সরকশিং ঙসি ব্লিচিং পাউদর চৈথোইবগা লোয়ননা হিদাক কাপথোকখ্রে। য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৫ গী কাউন্সিল এস এম দিলিপকী লিচিং মখাদা ৱার্দ নম্বর ৪ অমসুং ৫ গী মফমশিং অমসুং য়াইরিপোক কৈথেলগী অকোয়বদা ব্লিচিং পাউদর অমদি ফিনাইলনচিংবা চাইথোক কাপথোকখিবনি হায়রি।

# উপোকপি ভিল্লেজগী লম্বীশিং হিদাক চাইথোকখ্রে

বিষ্ণুপুর, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
রুরেল এরিয়া দিভলপমেন্ট সেন্টর (আর এ দি সি) অমসুং উপোকপি স্পোর্টিং এসোসিয়েসন (য়ু এস এ) উপোকপি ভিল্লেজগী মেম্বরশিংনা ইন্টর ভিল্লেজ রোদ অমদি অতৈ লম্বীশিং, বজার সেদ, দুকানগী অকোয়বশিংদা কোভিদ–১৯ দগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোক্নবা হিদাক লাংথক চাইথোকখ্রে অমসুং কাপথোকখ্রে হায়না আর এ দি সিগী সেক্রেটরী ও জুগেশ্বর সিংহনা ফোঙদোরক্লি।

# চাকথুং মতিক চানা পীয়ুঃ খাইদেম মণি

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস) ঃ
লোকদাউন মনুংদা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং খরা মখৈ কোকহন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্না অচা অথকশিং য়েম্ঘোক্নবা হোৎনরিবা অদুদা লোকেল এম এল এ শিংনা তৌফম থোকপশিং চপ চানা তৌগদবনি। কোরোনাভাইরসতা নত্তনা অতোপ্পা অনা লায়েং কয়াসু লায়েংবগী খুদোংচাবা ফংনবা হোস্পিটালশিংদা কেজুয়েলিটি হাংদ্রিবা অদু হাংনবা লৈঙাক্না থবক পায়খৎপিয়ু হায়না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসনগী এক্টিং চিয়ারপার্সন খাইদেম মনিনা ফোঙদোকখ্রে।

# কোবি, হৱাই য়েম্ঘোকখ্রে

ককচিং, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
য়ুথ এসোসিয়েসন ককচিং ৱাইরিনা কোনবা মফমশিংদা ঙসি নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা চান–থক্নবা পোৎলমশিং কোবি–হৱাই অলু–নচিংবা য়ুম য়ুমদা চঙদুনা য়েম্ঘোকখ্রে। মীওই খরনা লনাই পৈশা পুথোক্তুনা পোৎলমশিং অদু লৈরুরগা মীয়ামদা ফংহনখিবনি হায়রি।

# চেঙ য়েম্ঘোকখ্রে

থৌবাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
থৌবাল এসেমব্লি কন্সটিট্যু–য়েন্সিগী মনুংচনবা পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ২০গী ভোটরশিংদা ৱাংমা তাবা য়ুথ ক্লব থৌবালগী মেম্বরশিংনা য়ুমথোঙ খূদিং চত্তুনা চেঙ য়েম্ঘোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী পব্লিসিটি সেক্রেটরী থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# অন্দ্রো কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মৎখ্রবা চেঙ ফংহনবিয়ু ঃ সি দি ও

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
কোভিদ–১৯ ঙাকথোক্নবা হোৎনরিবা অসিগী মনুং চন্না মীয়ামগীদমক নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী লেম্না ফংহল্লবসু অন্দ্রো এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগীদি থম্মোয় শোক্লিংঙাই ওইরে। অদুনা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিগী মৎখ্রবা চেঙ গভর্ণমেন্টনা ফংহনবিয়ু হায়না চঙমদবী দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (সি দি ও)না ফোঙদোরক্লি।

চঙমদবী দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী সেক্রেটরী অয়ুব কোরিনা ফোঙদোকখিবদি লৈবাক অসিদগী লাইরবা মুখৎনবা নফসাগী খূত্থাংদা প্রাইওরিটি হাউসহোল অমদি এ এ ৱাই হায়না খায়দোক্তুনা অহোঙবা মমলদা চেঙ ফংহল্লবসু ২০১৭ কী এপ্রিল থাদগী চেঙ ফংদনা লৈরি। মসিমক য়াম্না লাইবক থিবনি। ভোটর ৩৩৯৩৬ লৈবা কন্সটিট্যুয়েন্সি অসিদা এ এ ৱাই অমদি প্রাইওরিটি হাউসহোল বেনিফিসরিশিংগী থা অমগী গভর্ণমেন্টনা পীরিবা চেঙ অসি কেজি লাক্ষ ২ লিশিং ৩৯ নি। ভোটর অমমমগী ওইনা য়েম্ঘোক্লবসু কেজি ৭–৭ থুংনৈ। কেজি ৫–৫ য়েনবদা থা অমদা চেঙ কেজি ৬৭,৮৭২ লেমই। হায়রিবা লেমহৌরিবা চেঙ অসিখক্কী কৈথেলগী মমলদা লুপা ২০,৩৯,১৬০ রোম ওইগনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, মীয়ামগী লৈত–লাইরা কোকহন্নবা পীরকপা চাকথুংশিং অসি লোকেল এম এল এ অমদি মহাক্কী নোমিনিনা মতম শাংনা মত্তুনা লাক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি কোভিদ–১৯দগী হেন্না শাথিবা লায়নানি হায়না লৌদবা ঙম্লোই। মরম অদুনা গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিদুনা মীয়ামগী ফংফম থোকপশিং অদু ক্লব ওর্গনাইজেসন অমদি এসোসিয়েসনগী খূত্থাংদা শিন্নবিয়ু।

চঙমদবী ময়াই লৈকাই য়ুথ কম্মিটিগী মেম্বর সলমনা ফোঙ–দোকখিবদি হৌজিক টুটেল লোকদাউন অমদি কার্ফিউ থমদুনা কোভিদ–১৯ দগী ঙাকথোক্নবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলিঙৈ অসিদা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা য়ুমথোঙ খূদিংগী চেঙ কেজি ২০–২০ পীগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু অন্দ্রো কন্সটিট্যু–য়েন্সিগী ওইনদি মতম শাংনা মীয়াম্না চেঙ ফংদনা লাক্লি। থিগৎলুবদা এক্স এম এল এ অমদি মহাক্কী নোমিনিনা মীয়ামগী চাকথুং মৎতুনা লৈরম্লে। অসিগুম্বা থৌওং অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মরম অদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবিয়ু।

# ম্যান্মারগা ফাউনবা য়াবা মফম ৪৫ শম্বল খাজিন্দুনা থিংজিবগী থবক চত্থখ্রে

মোরে, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে সব দিভিজনগী মনুং চনবা ঙমখৈ লমদা লৈবা খুঙ্গাশিংগা ম্যান্মারগা ফাওনবা য়াবা অরোনবা মফম নৎত্রগা লম্বী ৪৫ রোম জি আই পাইপ অমদি য়োৎকী তারানা শম্বল খাজিন্দুনা থিংজিনবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে।



ঙসি দিপ্যুটি কম্মিস্নার তেংনৌপল এম রাজকুমার, এস পি তেংনৌপল টিঐচ বিক্রমজিৎ, এদিস্নেল এস পি (ওপস) তেংনৌপল টিঐচ কৃষ্ণতোম্বী, এদিস্নেল এস পি (ওপস) মোরে এম অমিট অমদি ৪৩ অসাম রাইফলসকী কম্মান্দেন্ট সুমিট সুদ য়াওনা সেক্যুরিটি পার্সোনেল–শিংনা বোর্দর পিল্লর নম্বর ৭৯ মনাক্তা খুন্দারিবা গোভোজাং ভিল্লেজদা ম্যান্মারগা ফাওদোক ফাউজিন তৌরম্বা মফমশিং শম্বল খাজিনবগী থবক চত্থখ্রে।

দিপ্যুটি কম্মিস্নার এম রাজকুমারনা পাউমী খরদা হায়, ইন্টরনেস্নেল বোর্দরগী মফম অমা ওইবদা নত্তনা তোঙান তোঙানবা মখলগী খুদোংচাদবা কয়া অমা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না মায়োক্লরি। মসিগী মনুংদা য়ুমথংনরিবা লৈবাক ম্যান্মারগা অরোনবা ফাউদোক ফাউজিন তৌনরিবা মফমশিং লৈহন্দনবগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্টকী য়াথং অমগী মখাদা মফম কয়া থিদোকপদা পূন্না ৪৫ থেংনরকখিবনি। হায়রিবা মফমশিং অসি জি আই পাইপ অমদি য়োৎকী তারা শীজিন্নদুনা শম্বল খাজিনবগী থবক অহানবা ওইনা ঙসি গোভাজাং ভিল্লেজগী তোঙান তোঙানবা মফমদা চত্থখিবনি।

কোরোনাভাইরসতগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা মখল খূদিংমক্কী চখোক চৎশিন থিংনবগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসকা পূন্না লৌখৎলিবা খোঙথাং অমা ওইনা শম্বল খাজিনবগী থবক অসি চত্থবনি।

অমরোমদা মোরে সব দিভিজন অমদি মোরে টাউনগী মনুং চনবা য়ুমথোঙ খূদিংমক্তা ঙসি লেম্না চেঙ ফংহনবা হৌখ্রে। টুটেল লোকদাউন তৌবনা মরম ওইরগা ইমুংগী মীওইশিং মপান থোকহন্দনা য়ুমথোঙ খূদিংগী কোম্ঘোংদা লৈকাইগী সব এজেন্টকী খূত্থাংদা চেঙ ফংহনখিবনি।

মোরে টুরেল ৱাংমা লৈকাই ঐচ ই আর এস ক্লবকী প্রসিদেন্ট এল লোয়া মৈতৈনা মীয়ামদা লেম্না চেঙ ফংহনবা অসিগীদমক মণিপুর গভর্ণমেন্ট অমদি লোকেল এম এল এ অমসুং এজেন্টশিংবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

# হোদাম লৈরক্তা চেঙ য়েনবদা পেন্নদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
কৈশামথোং এসেমব্লি কন্সটিট্যু–য়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ১৪ অমসুং ১৬ হোদাম লৈরক্কী ওইনা ভোটর অমমমদা চেঙ কেজি ৪–৪ য়েনখ্রে। অদুবু অনৌবা ভোটরশিংদা চেঙ পীদবা অমদি চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংবু মী ওইনা উদবা অসিদি পেন্নদ্রে হায়রি।

হোদাম লৈরক ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরী টি গ্যানেন সিংহনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, য়ুম অমদা ভোটর লিষ্টতা য়াওবা মীওই ৫ দগী হেল্লবসু য়ুম অদুদা মীওই ৫ গী চাংদা চেঙ ফংহনখি। ভোটর লিষ্ট অদুসু অপদেট ওইদবনা অনৌবা চনবা মীওইশিংগীদি চেঙ পীদে। লুরিবদি চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিং মী ওইনা উদবসি লাইবক থিবনি। মেদিয়াদা চেঙ লেম্না য়েম্ঘোকখ্রে হায়নদি লাউরি অদুবু কৈশামথোং কন্সটিট্যুয়েন্সিগী ওইনদি মীয়ামগী হক লৈতবগী মওং ওইনা উরিবা অসিদি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিনবিয়ু হায়রি।

# এল পি জি ফংহন্নবা থৌরাং পায়খৎলু ঃ নুপী মরুপ

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
কোভিদ–১৯ লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসি ঙাকথোক্নবগীদমক লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না লৈবাক শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসি খরমখৈ কোক্নবা গভর্ণমেন্টনা অঙম্বা থাক্তা থবক পায়খৎপিয়ু হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপ্না ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অমদা হায়, হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ইমুংশিংদা গ্যাস ফংহন্নবা গভর্ণমেন্টনা থবক পায়খৎলু, মৈ ঈশিং চাং নাইনা ফংহন্নবা থৌরাং পায়খৎলু, মনা মশীং ফংহন্নবা, দুকানশিং হাংহন্নবা, ই–কার্দ পীনবা থৌরাং তৌ, ইংখোল কোইজরিবা অমদি য়েন–ঙানু লোইজরিবশিং মাঙদনবা মখোয়গী পোৎথোকশিং গভর্ণমেন্টনা লৈশিল্লগা মীয়ামদা ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা তকশিল্লি।

গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা চেঙ খর খরদা ওইরবসু লেম্না ফংহনবা অসিদি থাগৎনিঙাইনি হায়রদুনা তঙাইফদনা নুপীশিংনা চাকখুমগী থবক অয়াম্বা পুবনা অৱাৎপা কয়া থেংনরিবা অসিগী মনুংদা এল পি জি ফংদবা অসিসু অমনি। থক্নবা ঈশিংদা নত্তনা তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদবা ঈশিংগী অৱাৎপসু লৈতবা নত্তে। মায়কৈ খরদা দুকান হাংনবা হোৎনরবসু চখোক চৎশিন্দা খুদোং চাদবা মায়োক্নবনা এপ্পাং নাপি মনা মশিং অয়াম্বা ফংনদ্রে। খুঙ্গং অমদি চীং লমদা ইংখোল কোইরিবা কয়াগী পোথোক পৎ–পুমদুনা মাঙনবা য়াওরে। থবক শুফম নোম্ফম লৈরক্তবগী অৱাবসু থেংনরে। পূম্নমক অসি য়েংলগা গভর্ণমেন্টনা তৌবা য়াবা খরদি তৌবিয়ু হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# কোভিদ–১৯গী টেষ্টিং কিট পুথোকখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ২৯ (এস এন এস) ঃ
ভাইরোলোজিষ্ট মিনেল দাখাব ভোসলেনা মহাক্কী মীরোনবগী অরোয়বা মীৎকুপ ফাওবা লুচিংদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা কোরোনাভাইরস টেষ্টিং কিট শুপ্নগী চয়োল তরুক্কী মনুংদা পুথোকখ্রে।

ভোসলেনা কিট অদু মরী লৈনবা ওথোরিটিদা ইভালুসনগীদমক পীশিনগদবা নোংমা ৱাংৎলিঙৈদা মচানুপী অমা পোকখি। কিট অদু পুথোক্নবা থবক কন্না শুবদা কমপ্লিকেসি খরা লৈবদগী অঙাং অদু সিজরিয়ান তৌরগা পোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, হীরম অসিদা চহী মঙা হেন্না থবক তৌরক্লে। অসিগুম্বা ইমর্জেন্সি লাকপা মতমদা থবক তৌহৌদ্রবদি করি কান্নগনি। ভোসলেনা মীরোনবগী থা য়ামশিল্লকপনা মরম ওইদুনা ওফিসতা চৎপা ঙম্লক্ত্রবা মতম অদু ফাওবা পুনেগী মাইলেব দিস্কোভরিগীদমক পায়খৎখিবা মী ১০ না শাবা টিম অদু লমজিংখি।

কম্পেনি অদুগী কো ফাউন্দর শ্রীভান্ত পতোলেনা হায়খি, দ্রগ পুথোকপগুম টেষ্ট কিট অসিসু য়াম্নমক মথৌ তাই। প্রোজেক্ট অসি মায় পাকপগী ক্রেদিট অসি মহাক্না ভোসলেদা পীখি। ভোসলেগী টিমনা পুথোক্লিবা কিট অসিনা কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌবদা হৌজিক পুং ৮ চংলিবসি পুং ২.৩০ দা ঙম্লগনি। কম্পেনি অসিনা পুথোক্লিবা কিট অসি লুপা ১,২০০ চংগনি। গভর্ণমেন্টনা হৌজিক টেষ্ট তৌরিবসিদদি লুপা ৪,৫০০ চংলিবনি।

# মীয়াম্না পেন্নদ্রে

বিষ্ণুপুর, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
কোভিদ–১৯ লাইচৎতগী ঙাকথোক্নবা গভর্ণমেন্টনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা মীয়ামদা নফসাগী চেঙ লেম্না ফংহল্লিবা অসিদা ৱাবগাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং ষ্টেসন নম্বর ৩৬ ককচিং খুনয়াই লৈকাই ৱার্দ নম্বর ৭কী মীয়ামদা এজেন্টশিংনা চেঙ কেজি ৪–৪ খক পীরম্বদা মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্নখ্রে।

ৱার্দ অসিগী মেম্বর ময়াংলম্বম দিপকনা ফোঙদোরকখিবদি চিরবা তানফম অসিদা মীয়ামগী হক মৎপা অসি য়ানিংদে। চেঙ কেজি ৫–৫ ফংগদবদা ৪–৪ খক্তমক পীরিবা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অকনবা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়নসু আপিল তৌরি।

# নিংঙোম্বম মুনাল লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
এ আই আর ইম্ফালগী ষ্টাফ আর্টিষ্ট ওইরম্বা নিংঙোম্বম মুনাল হৌখিবা শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা মশাগী ময়ুম লিলোং শান্তিপুরদা লৈখিদ্রে। মশাগী চহী ৭২ শুখ্রবা এন মুনাল সিংহ মণিপুরী মতম ঈশৈ, নট ঈশৈ, খোংজোম পর্ব্ব, খুনুং ঈশৈ, রবিন্দ্র সঙ্গিট, মনোহর সাইনচিংবা নীংথিনা খঙবা মীশক্লি।

মহাক্কী অপোকপা নিংঙোম্বম ইবোবি মশক নাইবা অইবনি। লৈখিদ্রবা মুনালগী লোয়নবী অমদি মচা ৫ লৈহৌরি।

মণিপুর ব্লাইন্দ স্কুল লিংখৎপদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বদা নত্তনা মতম খরা স্কুল অসিগী ওঝা ওইরম্মী। মহাক্না হিংলিঙৈদা মণিপুর চীফ মিনিষ্টর এৱার্দ ১৯৯০, প্রসিদেন্ট এৱার্দ ফোর আউটষ্টেন্দিং ইমপ্লোয়ি ১৯৯০ অমদি মণিপুর কলচরেল ফোরম এৱার্দ ফোর দিসএবল ২০২০ নচিংবা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রবনি হায়রি।

# যুমথোঙ খূদিংদা চেঙ কেজি ২০/২০ শোয়দনা ফংহনগদবনি

ইম্ফাল, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবা অসিদা খরমখৈ মতেং ওইনবা য়ুমথোঙ খূদিংগী চেঙ কেজি ২০/২০ লেম্না ফংহনগনি হায়না লাউথোকখিবা অদু শুকশোয় শোয়দনা ফংহনগদবনি হায়না ওল মণিপুর মুস্লিম ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন (অমমসো) অমদি সোসিয়েলিষ্ট ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ মণিপুর (এস এস য়ু এম)না গভর্ণমেন্ট অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিগী মীৎয়েং চিংশিল্লি।

অমমসোগী সেক্রেটরী জেনরেল য়ুনুস অলি অমদি এস এস য়ু এমগী সেক্রেটরী জেনরেল ভুষন লোংজমনা পূন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোলনা হায়, হৌজিকওইরিবা ফিভম অসিদা দুকান্দরশিংনা পোৎ চৈগী মমল হেন্না য়োনবা য়ারোই অদুগা পি দি এসকী পোৎলমশিংসু মীয়ামদা মপূং ফানা য়ৌহনগদবনি।

কোভিদ–১৯ লাইচৎনা খম থেংনা ৱানরক্নবা তাঙ্গা অসিদা মীয়ামগীদমক করিসু খন্দনা কারবার ৱালা অমদি দুকান্দারশিংনা লোকদাউনগী খুদোংচাবা লৌদুনা পোৎকী মমল য়োন্নিংবা চাংদা য়োল্লিবা অসি খুদক্তা লেপকদবনি। নোংমগী চাকখাও থন্নবা অফং অফংবা থবক শুদুনা কৈথেলদা মনা মশীং য়োন্দুনা ইমুং পুরম্বা শিন্নী কয়া অৱা চৈথেং মায়োক্নরে। গভর্ণমেন্ট ওথোরিটিনসু পোৎ–চৈগী মমল ৱাংনা য়োল্লিবা অসি য়েংশিনবা মথৌ তাই। করিগুম্বা হেন্না য়োল্লম্বা থেংনরবদি অমমসো অমদি এস এস য়ু এমনা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি।

মণিপুর গভর্ণমেন্টনা লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা লৌখৎলিবা থবক থৌরম কয়াদা অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা মীয়াম্নসু মপূং ফানা শৌগৎপিয়ু হায়নসু আপিল তৌরি। লূপ অনী অসিনা চত্থরিবা লাম্হেং অসিদা গভর্ণমেন্টকী মরী লৈনবা লোয়শঙশিংগা খূৎশম্নদুনা থবক তৌমিন্ননবা মতম চূপ্পদা শেম শাদুনা লৈরি হায়বগী ৱাফমসু থম্লদুনা হৌজিক হৌজিক পোজিটিভ ওইবা অমা জেনিমস হোস্পিটাল পোরোম্পাৎতা লায়েংলিবা অসিসু অথুবা মতমদা ফগৎলকপা ওইরসনু হায়নসু মপুদা থৌনিজরি হায়রি।

# চান–থক্নবা য়েম্ঘোকখ্রে

ক্বাক্তা, মার্চ ২৯ (এস এন এস)ঃ
বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মোইরাং এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংচনবা ক্বাক্তা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল ৱার্দ নম্বর ৫ দা লৈবা সোসিয়েল ৱার্কর অব্দুল বারিক্না ঙসি মীয়ামদা চান–থক্নবা পোৎলমশিং মপূং ওইনা অলু, হৱাই, থুম অমদি অচাথাউনচিংবা সোসিয়েল দিষ্টেন্সকী নিয়ম ঙাক্না য়েম্ঘোকখ্রে। মদুদা লোকেল এম এল এ সরতচন্দ্রসু লাক্তুনা য়েংশিনখি হায়রি।

# ঙসিগী রাষি ফল (৩০–০৩–২০২০)

ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** চয়েৎনবা মরক্তা পাঙথোক্লিংবদি পাঙথোক্লগনি। ঐগী মী মশীং হেনগৎলগনি। পোৎ অনৌবা লৈবা য়ারগনি। হকচাং ৱাখল ফগৎলগনি। নক্ষত্র ১,২, ৩ অফবনি।

**বৃষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, অচৌবশিংনা নুংশিবিবা অরুবা খরা মায় পাক্না পাঙথোকপা মাল লৈবা য়াবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ৩,৪,৫ অফবনি।

**মিথুনঃ** খৎনবা, শাওনবা, শোক্কনবা মতম্নি। শাওদবা ফগনি। ঐগী মীনা মীগী মীচংদা লৈবা, অর্থ লান্না লৌবিবা মতম্নি। চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৫,৬ ফগনি, ৭ ফত্তে।

**কর্কটঃ** চরক চহিং নাইবা, ৱাখল শাবা, য়েক্নবা হেনগৎপা মতম্নি। পাঙথোক্লিংবা খরদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ৭ ফত্তে, ৮ ফগনি, ৯ ফত্তে।

**সিংহঃ** চাউখৎপা, ফগৎপা, হকচাং ৱাখল ফগৎপা মতম্নি। লম চৎপা, মী তিন্নবা কান্নগনি। অচৌবশিংনা নুংশিবিরগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১০, ১১, ১২ অফবনি।

**কন্যাঃ** বুদ্ধি লৌশিং ফগৎপা, পাঙথোক্লিংবা খরা পাঙথোকপা, লমচৎপা মী তিন্নবা কান্নবা ফংবা, ইমুং শান্তি লৈবা মতম্নি। নক্ষত্র ১২,১৩,১৪ ফগনি।

**তুলাঃ** শাওনবা, খৎনবা, কোক শাবা, হকচাং ৱাখল চাং অমদা লৈবা মতম্নি। শেল হেন্না চৎলগনি। য়েক্নবা হেনগৎলগনি। ইমুংদা খরা লাঙগনি। নক্ষত্র ১৪,১৫ ফগনি, ১৬ ফত্তে।

**বৃশ্চিকঃ** খৎনবা, তোখাই তাবা, য়েক্নবা হেনগৎপা, শেল চৎপা ৱাখল চরাংনবা মতম্নি। পোৎ লৈবা য়াগনি। ইমুংদা শান্তি লৈতে। নক্ষত্র ১৬ ফত্তে, ১৭ ফগনি, ১৮ হেন্না ফত্তে।

**ধনুঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা অরুবদি পাঙথোক্লগনি। ঐগী মী মশীং হেনগৎলগনি। লম চৎপা মী তিন্নবা কান্নগনি। শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ১৯, ২০, ২১ অফবনি।

**মকরঃ** হকচাং ৱাখল, ফগৎপা, পোৎ অনৌবা লৈবা য়াবা, মরুপ মফম ফগৎপা, মতেং পীবিবা য়াম্বা মতম্নি। ইমুংদা শান্তি লৈরগনি। নক্ষত্র ২১,২২,২৩ অফবনি।

**কুম্ভঃ** শাওনবা, খৎননিংবা ৱারৌবা মতম্নি। মীনা য়েংশিল্লি। শেল চৎপা মতম্নি। হকচাং ৱাখল নুংঙাইরোই। ইমুংদা চরাঙনগনি। নক্ষত্র ২৩,২৪ ফগনি, ২৫ ফত্তে।

**মীনঃ** অশোক অপন নংবা, শাওনবা, শেল মরম চাদনা চৎপা, কোক শাবা মতম্নি। লম চৎপা চেকশিল্লু। ইমুংদা মত খেন্নরগনি। নক্ষত্র ২৫ ফত্তে, ২৬ ফগনি, ২৭ ফত্তে।







